সাইকল রেল্লি চৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ : ৱর্ল্ড বাইও ফুয়েল দে, ২০১৭কী থৌরমগা মরী লৈননা চথরকপা ইভন্টশিংগী মনুং চন্না ঙসি সাইকল রেল্লি অমা পি শরতচন্দ, ইকনমিক এদভাইজর টু চীফ মিনিষ্টরনা ঙসি দি এম কোলেজদগী লমথাখ্রে। রেল্লি অদুদা পুন্না সাইক্লিষ্ট ১০০ রোম্না শরুক য়াখি। তোঙান তোঙানবা সাইকল এসোসিএসন গ্রাসিনোল বি এম এক্স বোইজ, মণিপুর সাইকল ক্লব অমসুং পেদল এটেকনচিংবগী মেম্বরশিংনা সাইকল রেল্লি অদুদা শরুক য়াখি। সাইক্লিষ্টশিংগী ওইবা দেমোন্সট্রেসন কয়াসু কাকৈথেলগী টিদ্দিম গ্রাউন্দদা পাঙথোকখি। ৱর্ল্ড বাইও ফুয়েল দেগী থৌরম অসি হয়েং অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবদা ট্রাইবেল রিসার্ছ ইন্সটিট্যুট, চীংমৈরোংদা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর য়ুম্নাম খেমচন্দনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা পাঙথোক্কনি হায়না ইভন্ট কোওর্দিনেটর এন ৱাই সী এস ডা. আই এস কোন্থৌজমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

বাইক অহুম লৈরে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ : গভর্ণমেন্ট ওফ দি পিপলস রিপব্লিক ওফ নাগালিমগী য়ুনিয়ন টেরিটরি ৱাননা তোঙান তোঙানবা মফমদগী টু হ্বিলর বাইক অহুম ফংলে। মপুশিংনা অচুম্বা দোক্যুমেন্টশিং পুথোক্লগা ওফিস অসিদগী নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লৌরবা য়াগনি হায়রি। মোটোর বাইক অহুম অদুদি দিসকোভরি অমা, হেরো পেসন অমা অমসুং য়ামাহা অমনি হায়রি। হায়রিবা মতম অসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

হরাওবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ : ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী সেক্তা মখা লৈকায়দা লৈবা খাইদেম হেরোজিৎপু দিপার্টমেন্ট ওফ এটোমিক ইনর্জি, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা লৌবা সাইন্টিফিক ওফিসার এগজামিনেসন, ২০১৭তা মায় পাক্লকপগীদমক দি সোসল স্পোর্টিং ক্লব, সেক্তানা হরাওবা ফোঙদোরক্লি। খাইদেম রঞ্জিৎ অমসুং খাইদেম ওংবী বসন্তিগী মচানুপা অহল খাইদেম হেরোজিৎনা তুংদা তৌরুবা থবক খুদিংমক্তা মায় পাকপা ওইরসনু হায়বা পাউজেল পীরক্লি।

পি এস ও লিলোং ব্রাঞ্চ হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ : পাঙল ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (পি এস ও)না চথরকপা একাদেমিক কেম্পেন অফবা মহৈরোয় পুথোকসি, অফবা খুন্নাই ওইহনসি হায়বা অসিবু হেন্না মপুং ফাহন্নবগী পান্দমদা পি এস ও হেদ ওফিসকী প্রসিদেন্ট এম দি অজিজুর রহমন অমসুং এম দি ইস্লাহুর রহমন অনীগী লীচিং মখাদা লিলোং হায়র সেকেন্দরি মদ্রাসাদা ঙসি নুংথিল পি এস ও লিলোং ব্রাঞ্চ হাংদোকখ্রে। পি এস ও লিলোং ব্রাঞ্চকী নৌনা খল্লবা থৌপুবশিং অদুদি প্রসিদেন্ট ওইনা এম দি ফরিদ খান, জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা অজিজ হসন অমসুং ফাইনান্স সেক্রেটরি ওইনা এম দি ইমতিয়াস খাননি হায়না পি এস ও হেদ ওফিসকী এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

কম্যুনিটি পোলিসিং

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ : এস পি ককচীং দব্লিয়ু সিংহজিৎকী মীৎয়েং মখাদা মীয়াম অমসুং পুলিস পার্সনেলশিংগী মরক্তা অফবা মরী পুরক্নবগী পান্দমদা ঙসি ককচীং পুলিস ষ্টেসন্দা কম্যুনিটি পোলিসিং-পুসিল পব্লিক ইন্টরেক্সনগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা এস পি ককচীং দব্লিয়ু সিংহজিৎ, এদভোকেট এন মোধু, ককচীং পুলিস ষ্টেসনগী ও সী শরুক য়াখি হায়রি। ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা লূপ কয়ানা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা পব্লিক অমদি পুলিসকী মরক্তা অফবা মরী পুরক্নবা ৱাফম কয়া খন্ন-নৈনখি হায়রি।

এমসুগী ব্রাঞ্চ হাংখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ : ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) ককচীং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী লীচিং মখাদা এমসু ৱাঙূ পাঙলতাবী ব্রাঞ্চ হাংদোকখ্রে। এমসু ৱাঙূ পাঙলতাবী ব্রাঞ্চ হাংদোকপগী থৌরম অদুদা এমসু ককচীং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অসিগী প্রসিদেন্ট প্রবিন মোইরাংথেম অমসুং ককচীং কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি এস হেম্বনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি। এদ্যুকেসন সিষ্টেম ফগৎলক্নবদি চাউখৎপা খুন্নাই অমা ওইবগা লোয়ননা অহোংবা পুরকপা ঙমই হায়নরিবনি। অদুবু খুঙ্গংগী মফমশিংদদি অদুক্কী মতিক মহৈলোয়শঙশিং অসি খুদোংচাদবনা পীক থল্লি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লখি। ব্রাঞ্চ অসিগী থৌপুনবা এন প্রেমকুমারবু প্রসিদেন্ট, অমোম ইমোবু জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং এল পুর্ণিমা চনুবু ফাইনান্স সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রে হায়না এমসু ককচীং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

নুমিৎ নীনি চথুগদবা ষ্টেট লেবেল লর্নিং আউটকমসকী ৱার্কশোপ হৌদোকখ্রে

Multipurpose Hall, SCERT
Organised by :
SCERT, GOVERNMENT OF MANIPUR & SARVA SHIKSHA ABHIYAN, SMA, MANIPUR
RIGHT TO EDUCATION
SARVA SHIKSHA ABHIYAN
EDUCATION FOR ALL

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) :

মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিসোর্ছ দিভলপমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমসুং দিরেক্টোরেট ওফ এস সী ঈ আর টি, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা পুন্না শীন্দুনা লর্নিং আউটকমস হায়বা টোপিক্তা নুমিৎ নীনি চথুগদবা ষ্টেট লেবেল ৱার্কশোপ ঙসি এস সী ঈ আর টিগী মল্টিপর্পজ হোলদা হৌদোকখ্রে।

ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা এস সী ঈ আর টিগী দিরেক্টর এম মিনাকুমারীনা চীফ গেষ্ট, দিরেক্টোরট ওফ এদ্যুকেসন (এস)কী এদিসনেল দিরেক্টর লালতে কোমনা প্রসিদেন্ট অমসুং এস সী ঈ আর টিগী ফাইনান্স ওফিসার কে এস ঐচ ইমোকান্তনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুগী নুংগী ৱারোল পীরদুনা এস সী ঈ আর টিগী একাদেমিক ওফিসার এ রাজেশ্বরনা হায়খি, ঙসি হৌদোক্লিবা লর্নিং আউটকমসকী ৱার্কশোপ অসি নেসনল লেবেলদা মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিসোর্ছ দিভলপমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা ক্লাস ৱানদগী আইট ফাওবদা তন্লিবা অঙাংশিং অসিদা ক্বালিটি এদ্যুকেসন পুরক্লুবা লর্নিং আউটকমসতা বেজ তৌরগা সবজেক্ট খুদিংমক্তগা তম্বীনবগী ৱাখল্লোন্দা দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওইনা দি আই ঈ টিগী ওজাশিং, এস এস এগী রিসোর্ছ পার্সনশিং পুন্না ওজা ৭৫গী ওইনা ৱার্কশোপ অসি পাঙথোকপনি। ৱার্কশোপ অসিদা শরুক য়ারিবা ওজাশিং অসিনা দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মখা তাবা স্কুলগী ওজাশিংদা অমুক ট্রেনিং পীনবা এস এস এ অমসুং এস সী ঈ আর টি পুল্লগা পাঙথোকপা প্রোগ্রামনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা, এস এস এ ষ্টেট কোওর্দিনেটর এল চন্দ্রকুমারনা হায়খি, লর্নিং আউটকমস হায়বা ৱাহৈশিং আর টি ঈ এক্ট অসিদা পল্লগসু মমিংদগী ওইনা পল্লম্বগা লোয়ননা য়াম্না শেংনা মসিগী ৱাহন্থোক লৈরমদে। আর্টিকল ২৩ (২) আর টি ঈগী সেন্ট্রেল রুলশিং শেমদোকই। অদুগা এমেন্দ তৌরগা লর্নিং আউটকমস অসি শেমদোক্তুনা চৎনগদবনি হায়না মিনিষ্ট্রিনা অসিগুম্বা থৌরমশিং পাঙথোকহনবনি।

এদ্যুকেসন মিনিষ্টর রাধেশ্যামনা টিরঙ্গা যাত্রগী বাইক রেল্লি লমথাখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) :

টিরঙ্গা যাত্রগা মরী লৈননা বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট মন্দলনা শীন্দুনা মোটোর সাইকল রেল্লি অমা এদ্যুকেসন অমসুং লেবর অমদি ইমপ্লোয়মেন্টকী মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা ঙসি অয়ুক বি জে পি থৌবাল মন্দলগী ওফিস মমাঙদগী লমথাখ্রে।

মোটোর সাইকল রেল্লি অদু লমথাবগা মরী লৈননা মিনিষ্টর রাধেশ্যামনা হায়খি, অথৌবশিংবু নীংশিংবা ওইনা অমদি ওগষ্ট ১৫দা নীংতম্বা ফংখিবা অদুবু নীংশিংদুনা বি জে পিনা ওগষ্ট থা অসিমা চুপ্পা চথবা থৌরমগী মনুং চন্না নীংতম্বা হায়বসি কয়া য়াম্না মরুওই হায়বদু উৎনবা ঙসি টিরঙ্গা যাত্রগী থৌরম পাঙথোকপনি।

মোটোর সাইকল রেল্লি অদু বি জে পিগী থৌবালগী ওফিস মমাঙদগী লমথারগা ককচীং কৈথেলদা লৈবা নেতা ইরাবতকী শক্তমদা লৈ-শু কৎলবা মতুং অমুক হল্লক্লগা খোংজোমগী খেবা চীংদা লৈবা পাউনা ব্রজবাশিগী শক্তমদা লৈ-শু কৎখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা রেল্লি অদুদা বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট মন্দলগী প্রসিদেন্ট এল দেবেল অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মরুওইবা থৌপুবশিং য়াওনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা বি জে পিগী মহিলা অমদি য়ুথকী মেম্বরশিংনা শরুক য়াখি হায়রি।

একাদেমি ওফ পার্ফোমিং আর্টকী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) :

থৌবালদা লৈবা একাদেমি ওফ পার্ফোমিং আর্টকী ১২শুবা মপোক কুমওন থৌরম অমসুং নেসনলগী থাক্তা মনা ফংলক্লবা মহৈরোয়শিংবু ওকপগী থৌরম পুন্না ঙসি থৌবাল ৱাংমতাবা শোরোক মখাদা লৈবা ইনাৎ পুকৈ মিনি কলচরেল হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শ্রীশ্রী বালমুকুন্দা গভর্ণমেন্ট ম্যুজিক কোলেজ, ইম্ফালগী প্রিন্সিপাল এল দেবেন্দ্রজিৎনা চীফ গেষ্ট, ইনাৎ পুকৈ কলচরেল হোলগী চ্যেরমেন একে ধনঞ্জয়না প্রসিদেন্ট অমসুং কংলা রিলিজিয়স কম্মিটিগী মেম্বর চনা লুখোইনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙখিবশিংনা লমদম অসিগী ফজখ্রবা নাৎ অমসুং কলচরগা শাগোন্নরিবা মচাক ওইরিবা ঈশৈ-জগোইশিং অসি নীংথিনা য়োকখত্তুনা তুংগী মীরোলগীদমক থমনিংবগী ৱাফমশিং ফোঙদোক্লখি। একাদেমি অমা লিংদুনা পুং, ঈশৈ অমদি অতৈ নাৎকী ওইবা শিনফমশিং শেমগৎনবা হোৎনবদা পূক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওই হায়না ফোঙদোক্লখি।

হন্দক চহীগী জন্যুৱারী ২০দগী ৩১ ফাওবা ওরিষাগী কটক্তা পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া মল্টিলিংগুয়েল চিলদ্রেন্স মেন্স এন্দ ৱিমন্স প্লে, দান্স এন্দ ম্যুজিক কম্পিটিসন্দা একাদেমি অসিগী মহৈরোয় তরুক্কা প্রাইজ কয়া ফংলকখিবা অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মনা-মথুমশিং পীখি।

একাদেমি অসিগী প্লে *কবো লোয় কাবনা* থার্দ বেষ্ট নেসনল এৱার্দ, বেষ্ট স্ক্রিপ্ট এৱার্দনা একাদেমি অসিগী একে রামেশ্বর, বেষ্ট লাইটতা রতন লৈশাংথেম, সেকেন্দ বেষ্ট নেসনল এৱার্দতা অকোইজম সোফিয়া অমদি বেষ্ট প্রদক্সন কেশ এৱার্দকা লোয়ননা বেষ্ট লেংগ্বেজগী মনাসু লৌরকখি হায়রি। মসিগী মথক্তা এ বি এস এস পুনেগী ১৩শুবা গ্লোবল হর্মোনিদসু একাদেমি অসিগী মহৈরোয়শিং অমদি ওজাশিংনা শরুক য়ারুরে হায়রি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তেঙানবা মফমদা নেসনল দিৱর্মিং দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) :

নেসনল দিৱর্মিং দেগী থৌরম চহী ১গী মনুংদা অনীরক, ফেব্রুৱারী ১০ অমসুং ওগষ্ট ১০দা কুমজা ২০১৫দগী ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী থৌশীল অমা ওইনা পাঙথোক্তুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা দিৱর্মিং দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি থৌবাল, জেদ ঈ ও থৌবাল অমসুং আই সী দি এস থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা পুন্না শীন্দুনা নেসনল দিৱর্মিং দে, ২০১৭কী অনীশুবা রাউন্দ পাঙথোকখ্রে। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা হৌজিক চথরিবা অনীশুবা রাউন্দ অসিদা পোকপদা ঙাইরিবদগী চহী ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাং লাখ ১.৫ রোম দিৱর্মিংগী হীদাক পীথকপা অমসুং পীজনবগী পান্দম থল্লি হায়রি।

নুমিৎ অসিদা হীদাক পীজবা ঙমহৌদবা অঙাংশিংনা থা অসিগী ১৭ ফাওবগী মনুংদা হীদাক পীজবা য়াগনি। দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটিগী মোনিটরি টিম তরুক অমসুং আই সী দি এস থৌবালগী মোনিটরিং টিম অনী অমসুং ব্লোক্কী টিম কয়ানা অঙাং অমত্তা ফাওবা অলবেন্দাজোল টেব্লেট পীজবগী থৌওং অসি চিংখদনবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎকদবনি।

নেসনল হেল্থ ফেমিলি সর্ভে, ২০০৬কী মতুং ইন্না ইন্দিয়াগী ওইনা থা ৬ শুরবা অঙাংদগী চহী ৫ শুরবা অঙাং ১০গী মনুংদা তরেৎতি ঈ ৱাৎপগী লায়নানা নাহল্লি। মসিগী মরুওইবা মরমদি মচী ওইবা চীঞ্জাক মতিক চাদবননি। হকচাং মনুংদা লৈবা তিন্না অঙাংশিংদা নাহন্নবগী অচৌবা মরম অমা ওই।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)গী রিপোর্টতা ইন্দিয়াগী ওইনা চহী ১দগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাং মিলিয়ন ২৪৪১গী তিনগী লায়ননা নাহল্লি। মরুওইনা লৈবাক লৈহাওদগী ওইহল্লকপা তিনশিংনা অঙাংশিংদা চঙখ্রবা মতুংদা হকচাং মনুংদা মরুম কোল্লক্তুনা তিনগী লায়না কয়া শন্দোরকই। মসিগী মরুওইবা মরমদি লু-নান্দবদগী লৈবাক লৈমায়দা মহিক চেল্লকপনা মরম ওইবননি হায়রি।

অরানবা ৱাফমনি : এন ইবোহল

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) : কে সী পি (এম সী-প্রোগ্রেসিব)কী চ্যেরমেন চীংখৈনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা লূপ অসিগী মায়খুম উপ্পগা নমথাক তৌদুনা শাগৎলম্বা গেং খুৎপু অমা শেল খায় হায়রিবা অসি কয়া য়াম্না থিগৎপীবনো হায়না নিংঙোম্বম ইবোহল মীতৈনা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা য়াওল্লোয়গী মিং শীজিন্নরগা গেং খুৎপু লিংখৎপগী ঙম্বগী থৌনাসু লৈতে। পোলিটিক্সকী য়াম্না তশেং তশেংবা তাঙ্কক অমদা লেপ্পগা মীয়ামগী থৌগল তৌদুনা লাকখিবনি হায়খ্রে।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা লোক জনশক্তি পার্টি (এল জে পি)গী ৱাঙাঙলোয় নিংঙোম্বম ইবোহল মীতৈনা হায়খি, করিগুম্বদা কনাগুম্বনা ঐবু মাঙহন্নবা খনবা মীওই কাঙলূপ অমনা ঐগী মিং শীজিন্নরগা হায়রিবা থবকশিং অসি তৌরম্বগী খুদম চাংদম ফংলম্বা তারগদি হায়রিবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা ঐহাক্না দিফেমেসন চার্জ তৌরোইদবগী মরম লৈতে।

মখোয়না থোরক্লিবা ৱারোল অসিদা হৌখিবা জুলাই ২৯দা তেরা লুক্রাম লৈরক্তগী চীংশাং এলিয়স দেনিসন কৌবা মীওই অমা ঐহাক্না খুৎলাই ওইনা শীজিন্নরগা শেল খায়বদা শীজিন্নৈ হায়রিবা ৱাফম অসি অরানবনি। চেরোল অদুদা পল্লিবা দেনিসন (৩২) হায়রিবা নুপামচা অসি ঐগী পূন্সিদা মহাকপু উখিবসু লৈতে, খঙখিবসু লৈতে অমদি মাগা ঐগগী মরক্তা করিগুম্বা মরী অমত্তা লৈতে হায়নসু ফোঙদোকখি।

ৱারোল ময়াম অসিনা মরম ওইরগা লূপ অসিগী চ্যেরমেন চীংখৈ অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কম্যান্দরনা য়াম্না থৌরাং লৈরবা ইচিন-ইনাও অনীসিনসু হৌজিক অমুক হন্না মখা তানা থিজিনবা ফৈ। নাকল অমগী ওইবা ৱায়েল ওইরগদি মপুং ফাদবা জজমেন্টনি হায়না লৌগনি। চহী ৩০/৪০ রোম তৌজরক্লিবা প্রোফেসন অসি লৈখা তাখিনবা অচৌবা মরম অমসু ওইহল্লি হায়খি।

কে সী পি (এম সী-প্রো)গী থৌরাং হৈরবা ইচিন-ইনাওশিংনা মখা তানা থিজিনবীয়ু অমসুং তঙাইফদবা লৈরগদি হায়রিবা ৱাফম অসিদা ঐনা নখোয়না হায়বা থবক খুদিংমক ৱারী-ৱাতাই শানসিবু হায়রবসু অদুমক শেম শাদুনা লৈ। ঐগী পূন্সিগী পোলিটিকেলগী খোঙচৎ অসিদা অসিগুম্বা দাগফম অমা তাহনবগী মরম ওইরিবা পোৎশিং অসি য়াম্না লৈখায় শেংনা উহনবীয়ু। ঐনা গেং খুৎপু লিংখৎলি হায়রিবসি চাদা ১০০ লাল্লবা ৱাফমনি হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ঈকায় খুম্নবা উৎকনি : শৈপাল

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) : শৈহেক শৈরেং শৈপান শেমগৎ লূপ (শৈপাল)গী ১১শুবা মপোক কুমওন থৌরম থা অসিগী ২২, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিল পুং ২ তাবদা য়াইস্কুলদা লৈবা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন (এম দি য়ু)দা পাঙথোক্কনি হায়না শৈপালগী সেক্রেটরি আই সী অসেমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অদুদা রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজগী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি হৈখোম দিঙ্গো, শৈপালগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ চন্দ্র, ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী ষ্টেসন দিরেক্টর দিলিপ ময়েংবমনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইগনি।

থৌরম অদুদা শৈপালনা নোংমৈবুংদা লৈবী শৈরেংবী ঙাংবম ইবেতোম্বীবু অৱাংবা থাক্তা ঈকায় খুম্নবা উৎকনি। থৌরম অদুদা যোধচন্দ্র সনসন, কে ঐচ ইবেতোন, ক্ষেত্রিময়ুম সুবধনি, আর কে সনাহনবী অমদি যমুনা ময়েংবমসু তরাম্না ওক্কনি। মসিগা লোয়ননা খাঙেম্বম ইবেতোননা ইবা ইশৈ ময়েক্কী লাইরিক *থাজ থানিল ওইদুনসু* অমদি শৈরেংবা ২৯দগী খোমজিনবা ঈশৈ ময়েক্কী লাইরিক *নাৱাগী শৈরোল* ফোঙগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

শৈরেং শৈদান্নবা পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) : নোংচুপ ঙাইরাংবম অপোকপা মরুপ্না শীন্দুনা থা অসিগী ১৪গী অয়ুক পুং ৮.৩০ তাবদা নোংচুপ ঙাইরাংবম মীতৈ শঙলেন্দা লাইওইখ্রবা লাইনিংহল ইবুংঙো নাওরিয়া ফুন্দ্রে (ফুলো)গী ১২৯শুবা তাইবঙ ফাওখিবা নীশিং কুমওন নুমিৎতা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগা লোয়ননা মহৈরোয়শিংগী ওইবা শৈরেং শৈদান্নবগী থৌরম অমা পাঙথোক্কনি হায়না লূপ অসিগী সেক্রেটরি এল গুনো মীতৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, শৈরেং শৈদান্নবা অদু ক্লাস ৱানদগী ফাইব অমসুং ক্লাস সিক্সদগী টেন ফাওবগী ওইনা কাঙলূপ অনী থোক্না পাঙথোক্কনি। ষ্টেট লেবেলগী থাক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসি লাইনিংহল মশানা ইরম্বা শৈরেংশিংগী মনুংদগী তাঙ্কক তরেৎখক খনগৎতুনা শৈদান্নগনি।

শৈরেংশিং অদুদি অথোইবা শৈরেংদগী ৩শুবা, ৫শুবা, ৬শুবা, ৭শুবা, ৮শুবা অমসুং হৌনবুং অমসুং লান্নবুংদগী অহানবা অমসুং ৪শুবনি। শরুক য়ানিংবা মহৈরোয়শিংনা ফোর্ম থাজিনবীরকপা মতমদা ফোটো পাসপোর্ট অনী য়াওবিরকউ হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

কে এস এ য়ুনিটকী থৌপুবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) : কে এস এ হেদ ওফিসকী সেক্রেটরি জেনরেল প্রিসাইদ তৌদুনা লম্লোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয়শিংগা পুন্না মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা কে এস এ লম্লোং হায়র সেকেন্দরি য়ুনিটকী অনৌবা থৌপুবশিং খনখ্রে। নিংথৌজম তরুনবু প্রসিদেন্ট, অসেম রবিবু জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং ওইনাম দেবানবু ফাইনান্স সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রে।

অমরোমদা, ঙসি কে এস এ ময়াই লম্বী কোলেজ য়ুনিট হাংদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। কোলেজ অসিগী মহৈরোয়শিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিগী মতাংদা কুপ্পা খন্ন-নৈনখ্রে। লোয়ননা কে এস এনা চহী লীশাং শীৎনা চঙশিল্লক্লিবা একাদেমিক মুভমেন্ট অসিদা নত্তনা হৌজিক হৌজিক চঙশিল্লিবা য়েলহৌমীগী লাইবক লেপকদৌরিবা মীতোপ মীয়ানচাশিংনা লাকশিল্লক্লবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী (এ সী) নিপানদগী হৌরগা এ সী খুদিংমক য়েলহৌমীশিংগী রিজার্ব তৌগদবনি। লোয়ননা ইলেক্টোরেল রোলদগী মীতোপ মীয়ানচাশিংগী মিং ককথৎনবগী খোঙজং অসিদা শরুক য়ানবা ফিরেপ লৌখ্রে হায়রি। গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী হন্দক্তা লোইশিনখিবা এসেমব্লি মীফমদা হৌখিবা জুলাই ৩১দা চীফ মিনিষ্টরনা য়েলহৌমীশিংগীদমক হাউসতা থমখিবা ৱারোল হৌজিক ফাওবা থবক্তা ওন্থোক্ত্রিবসি ঈংনা চীক্লা মহৈ তন্লিবা মহৈরোয়শিংদা খোঙজং চঙশিন্নবগী চেবাউ পীবনি হায়না লৌই হায়না কে এস এগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন অর্পননা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

এটেক তৌরকপা য়ানিংদে : এম দি ও

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) :

ওল মণিপুর মুস্লিম দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্টবু থা অসিগী ৬কী নুমিদাংদা লিলোং কালৈখোংদা লৈবা মীওইখরনা এটেক তৌরকপবু য়ানিংদে হায়না মাইনোটি দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন্না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

মাইনোটি দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, লিলোং চীংখম মখাগী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থা অসিগী ৬কী নুমিদাং পুং ৬ লোম তাবা মতমদা লিলোং কালৈখোংদা লৈবা মীওই ৪/৫না হান্না থৌরাং তৌদুনা লুমদুনা লৈরগা ওল মণিপুর মুস্লিম দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্টপু ফারগা পুরবা মতুংদা য়ুম অমদা পুশিল্লগা এটেক তৌরকপগী থৌওং অদু য়ানিংদে। অসিগুম্বা থৌদোক অসি মতুংদা অমুক হন্না থোকহন্দবসু মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌরক্লি। এ এম দি সী হেদক্বার্টরগী প্রসিদেন্টপু লান্না উহনবা অমদি কম্মিটি অসিবু মিংচৎ থিহন্নবা থৌরাং মতুংদা অমুক হন্না তৌবীদনবসু খঙহল্লক্লি।

এ এম এম দি সীনা থৌদোক অসিগী মতাংদা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমদি ফিরেপ এম দি ওগী থৌমীশিংনসু শরুক য়াগনি হায়না ফোঙদোরক্লি। থৌদোক অসিদা চেন্নবা মীওইশিং অথুবা মতমদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবীদুনা লোগী ওইবা চৈরাক পীবিয়ু হায়রি।

অমরোমদা, লিলোং ময়াই তুরেল অহনবী কালৈখোং মথক্তা ওল মণিপুর মুস্লিম দিভলপমেন্ট কম্মিটি, হেদক্বার্টরগী প্রসিদেন্টপু এটেক তৌরকপগী থৌওং অদু ওল মণিপুর মুস্লিম দিভলপমেন্ট কম্মিটি, ক্বাক্তা য়ুনিট-২না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। এ এম এম দি সীনা লমদম অসিদা শাফোঙলকপদগী চোকথবা নাইদনা লমদমসিগী ফুরুপকী খেন্নবা থমদনা ইস্যু কয়াদা মীয়ামগী থৌগাই পুরক্লবা লূচিংবা এম দি সয়দ অহমদ সেখতা শীংনরকপগী থৌওং অসি য়ানিংদে। লমদম অসিগী লূপ খুদিংমক্না থৌদোক অসি য়ানিংদবা ফোঙদোকফম থোকই হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

স্পেক্ট্রম জর্নেল য়ু জি সীনা শকখঙলে

ENGLISH LITERARY CIRCLE
UGC APPROVED JOURNAL
SPECTRUM

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) :

ইংলিশ লিটরেরী সার্কল মণিপুরনা গোৱাদা নম্লগা পুথোকপা চহী ১দা অনীরক ফোঙবা ইন্টরনেসনল জর্নেল *স্পেক্ট্রম* হায়না মিংথোনবা আর্টস এন্দ হ্যুমেনিটিগী লমদা ফোঙবা জর্নেলশিংগী মরক্তা য়ু জি সীনা শকখঙলবা জর্নেল অমা ওইরে হায়না সেলেব্রেসন কম্মিটিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মালেম পুম্বগী ওইনা হীরম অসিদা য়ু জি সীনা জর্নেল ৪৮৪ শকখঙবগী মনুংদা হন্দক চহী অসিদগী স্পেক্ট্রমসু য়াওরক্লে। লোয়ননা মণিপুরগী মনুংদা অহানবা ওইনা য়ু জি সীনা শকখঙলবা চেফোঙ অসি স্পেক্ট্রমনা ওইরে।

চেফোঙ অসি প্রো. থৌনাওজম রতনকুমারনা চীফ এদিটর ওইরগা ডা. পাওনম সুদিপ মঙাংনা এদিটর ওইদুনা পুথোকপনি হায়রি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হ্যুমেনিটি ব্লোক্কী সেমিনার হোলদা ঙসি পাঙথোকপা থৌরম অমদা জর্নেল অসিবু মালেমগী ওইনা অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনগনি হায়না থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ফোঙদোক্লখি হায়রি।

কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০(ঐচ এন এস) :

তথোৎশীজ পোল মণিপুর ৱিমন’স কোলেজদা থা অসিগী ৪দগী চথরকখিবা স্পেসল কেম্প কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ডা. এন শচি অমসুং কোলেজ অসিগী এসোসিয়েট প্রো. এম শান্তিরানিনা মথংশিৎনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইদুনা ঙসি লোইশিনখ্রে।

ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী আই এফ এস, আই গোপেশ্বরনা পীরকপা উ চারা ৭০০ রোম কেম্প অদুদা শরুক য়াখিবা কেম্পরশিংনা পীবিদুনা কোলেজ অসিগী অকোয়বদা থাখি অমদি কোলেজ অসিগী অকোয়বদা লু-নান্না থম্নবা থবক কয়ামরুম পায়খৎখি। কেম্প অসিদা রিসোর্ছ পার্সন কয়ানা কান্নরবা টোপিকশিংদা ৱা ঙাঙখি হায়রি।

নুপী ওইবীশিংগী ফিজেৎনা ক্রাইম থোকহনবা হেনগৎহল্লি : সী এল কে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) :

ইনখৎলক্লিবা নুপীমচা লৈশাবীশিংনা শিৎলিবা ফিজোলশিং অসি হকচাং কয়াৎ উথোকপা অমসুং মৌনহাশিংনা মৌনি, লৈশাবীনি খঙদবমখৈ হকচাং কয়াৎ উথোকপনা খুন্নাই অসিদা ক্রাইম থোকহন্নবগী মরম ওইহল্লি হায়না চনুরা লমচিংলেল কংলৈপাক (সী এল কে)না ফোঙদোরক্লি।

সী এল কেগী সেক্রেটরি য়ুরেকানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মতম অমদা ইংলিশ ফিল্ম হায়নরম্বদু হৌজিক্তি হিন্দী ফিল্ম অমদি হিন্দী সিরিএলদা নত্তনা অচৌবা ফঙ্কসন ফাওবদা নুপীশিং অসি ফি শেৎতবগা মান্নরে। ইমুং-মনুং ফমিন্নদুনা টি ভীগী প্রোগ্রাম য়েংমিন্নবা য়াদ্রে হায়রি।

অফবদা মীতৌ তম্বদি য়াম্না ফৈ, ফত্তবদা মীতৌ তম্বদি অমাঙবা নত্তনা করিসু কান্নবা ফংলোই। মরম অদুনা ফত্তবা মীতৌ তম্বা থাদোক্কদবনি হায়রি।

ইপা-ইপুনা মৈহৌরোলদগী থম্বীরম্লবা থাক ৱাংখ্রবা চৎনলোনচৎ মালেমনা শকখঙলবা অসি হৌজিক্কী মীরোলনা মাঙহনগদৌরে। মরম অদুনা ইরৈবাক, ইরমদম কনবা, চাউখৎহনবা অমদি চৎনলোন ঙাকপদা ইরৈচাশিংগী থৌদাং য়াম্না চাউই। মরুওইনা নুপী ওইবীশিংনা মশাবু য়াম্না চেকশিন্নিংঙাই ওই হায়বা ৱাফম ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মতম শাংনা অসিগুম্বা ৱাফম অসি লূপ অসিনা য়াম্না লুম্না লৌদুনা লাক্লি অমসুং মখা তানা য়েংশিনখিগনি হায়রি।

ফাউন্দেসন দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) :

লুক্রাম লৈরক ভেটরান ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী ১০শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি নুংথিল সগোলবন্দ তেরা লুক্রাম লৈরক কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা পাৎশোই এসেমব্লি কন্সটিট্যু-য়েন্সীগী এম এল এ, একে মিরাবাই, লুক্রাম লৈরক ভেটরান ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এস দিনেশ্বর অমসুং এসোসিএসন অসিগী কে ঐচ ইবোমচা আই এফ এফ, এদভাইজর লুক্রাম লৈরক ভেটরান ৱেলফ্যের এসোসিএসননা মথংশিৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। মণিপুর ষ্টেট ৱিমন কম্মিসনগী মেম্বর সোইবম নিলিমাসু শরুক য়াখি।

সুমিলা মীশিগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে, য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১০ (ঐচ এন এস) :

ৱাঙ্খে অয়াংপলিদগী সাপম নিংঙোল থৌনাওজম ওংবী সুমিলা এলিয়স ইচল (৩৮) মপুরোইবা থৌনাওজম জিবন কৌবা উৎলৌ ময়াই লৈকায়দা লৈবী অসি থা ৮ নাওপুরিবী অসিনা লৈখিদবগী মতাংদা থা অসিগী ৪দা খুরাই কোন্সম লৈকায় অপুনবা মৈরা পায়বী লূপ্পা কোংবা ইয়োং মিটিং শঙলেন্দা মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম অমা ফমখ্রে হায়রি।

খুরাই কোন্সম লৈকায় চাউখৎ খোঙথাং নুপী লূপকী প্রসিদেন্টনা থোকপা চেরোল অমা হায়, লমদম অসিদা নোংমা কাংদনা মীহাৎ মীপুন অমদি নুপী অঙাংশিংবু ওৎ-নৈবা অমদি মৌ কয়া হাৎলক্লিবা অসি খুন্নাই অসিগী অফবা লীচৎ নত্তে। মশাগী পীবুক্লুংদা থা ৮ নাওপুরিবী সুমিলাবু হাৎলবা মতুংদা মশা মথন্তা হু চারগা শিজবনি হায়বসি খুরাই কোন্সম লৈকায়গী অপুনবা মৈরা পায়বীশিংনা য়াবা ঙম্লোই। সুমিলা হাৎপদা চেন্নরিবা ইমুং-মনুং অমদি মহাক্কী মপুরোইবা জিবনবু লোগী ওইবা মতিক চাবা চৈরাক পীয়ু হায়রি।

সাপম নিংঙোল থৌনাওজম ওংবী সুমিলাগী মীশিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সীনা চঙশিল্লকপা খোঙজংদা খুরাই কোন্সম লৈকায় অপুনবা মৈরা পায়বীনা শরুক য়াগনি হায়রি।

অমরোমদা, থা অসিগী ৪দা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোকশিংদা শিখিবা অমসুং হৌখিবা থা খরগী মমাঙদা নুপী-অঙাংশিং অমদি মৌ কয়া হাৎলিবা অসি খুন্নাইসিগী য়াম্না লাইবক থীবনি। মীওইবগী মীনুংশি য়াওদবা, মীবু হেক্তমক হাৎপগী থৌওং অসিবুসু নোংপোক লৈঙাক অপুনবা নুপী লূপনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

খুন্নাই অসিদা নুপী-অঙাংশিং লেপ্তুনা হাৎপগী থৌদোক হেনগৎলক্লিবা অসি লমদম অসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা, থকপা হেনগৎলকপনা থোরক্লিবনি। লাইশ্রম নিংঙোল বেদমণিনা হাৎখিবা অমদি থা ৮ নাওপুরিবী সুমিলাবু হাৎলবা মতুংদা মশা মথন্তা হু চারগা শিজবনি হায়বসি লূপ অসিনা য়াবা ঙম্লোই। অসিগুম্বা মীহাৎ-মীপুন চথরক্লিবসি লৈঙাক অসিনা অহকপা চৈরাক পীগদবনি। অহকপা চৈরাক পীদবনা মরম ওইরগা ক্রাইম মশীং হেনগলকপনি হায়রি।

নুপী অমসুং মৌ হাৎলিবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিং অসিদা নোংপোক লৈঙাক অপুনবা নুপী লূপনা অকনবা মীৎয়েং চঙবা হৌরগনি অমসুং মীহাৎ অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সীনা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা লূপ অসিনা শরুক য়াগনি হায়রি।